HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




নেশনল টোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (এন টি সী পি) না ফূদ সেফটি ওফিশলশিংগা খূৎশম্নদুনা খোংনাং অনী কারক অমসুং মন্ত্রিপূখ্রিগী দুকানশিংদা চথবা দ্রাইভতা হীদাক মনাগী পোৎলম ১৭ ফাগৎলকখিবা


লৌশিং পূক্কে : থুনা অহল ওইশিলহন্দনবা ঐখোয়না ... লামায় ২

লামায় ৪ রাশোমোন নেটৱর্ক য়েংলুবদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদ! য়াগী মচু ঙৌথোকহনবা লামায় ৫

লামায় ৮ লিয়াংমৈ খুঙ্গংগী লুচিংবশিংদা তাথি তাওইনা...

ৱাকফ এক্টকী মতাংদা জম্মু এন্দ কাশ্মির এসেমব্লীদা লামায় ৯

লামায় ১২ বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ট্রোফি: কে এ এস সী...


‘হেল্দি বিগিনিংস, হোপফুলফ্যুচরস’ হায়বা থিমদা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ দেগা মরী লৈননা পেসেন্টশিংবু লায়েংখিবা




Vol. 49, Issue No. 014 | লৈবাকপোকপা, শজিবু ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, April 08, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### অমিট শাহগী ‘ফ্রী মুভমেন্ট’ কাংপোকপীদা খুদি থীখিবদগী হৌজিকসু নাহি তারি

# জিরিবামগীদমক চৎখিবা হোম গার্দ ২১ কনভোয় য়াওদ্রবদি চৎপা ঙমদবনা লমখাংদা অহিং লেকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়্যু তৌবা মীফম অমদা শরুক য়াখিবা গভর্ণর অমসুং লৈঙাক্কী ওফিশলশিংদা মমাঙ থাগী ৮দগী হৌরদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নেশনল হায়ৱেশিং য়াওনা লম্বী পুম্নমক্তা মীয়াম্বু ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনগদবনি হায়রকপদগী গভর্ণরনা লুচিংলক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরুবদা কাংপোকপীদা খুদি থীবদগী তাখিবা নাহি হৌজিক ফাওবা খক্লমদ্রে।

লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্স য়াওনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পাঙথোকপা অতৈ থবক

### হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টনা মখোয়বু জিরিবামদা থাবগী থোকখিবা ওর্দর চৎনহনবীগনু হায়না মণিপুর হোম গার্দ এপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনননা গভর্ণরদা ৱাকৎখ্রে

থৌরমশিংদা মতেং পাংনবগীদমক হোম গার্দস (ভি এ), মণিপুরগী লম্ফেলদা লৈবা কম্মান্দন্টনা থা অসিগী ২দা ওর্দর অমা থোক্তুনা জি

### নোংমৈসু পায়হন্দবা, রশন মনি অমসুং থর্টিন মন্থস পেসু পীদবা হোম গার্দশিং জিরিবামদা শেল খায়গৎনরগা চাক চারক্লি

রিবামদা হান্নদগী লৈরক্লবা হোম গার্দ পর্সনেল ৪ য়াওনা পূন্না পর্সনেল ২১ দিপ্লোই তৌনবা খঙহনখি। কম্মান্দেন্টনা থোকপা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ঙসি হান্নদগী জিরিবামদা লৈরক্লবা পর্সনেল ৪ খায়দোক্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মোদি লৈঙাক্না ‘ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫’ শেমখিবগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা কেস চরোং অমা ফাইল তৌরক্লে

### সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এক্ট অসিবু শীংনরকখিবশিংগী মনুংদা লোক সভাগী এম পি অশাদউদ্দিন ওৱাইসী, কোংগ্রেস, এ এ পি অমসুং ইস্লাম লাইনীংগী লূপ ৩ য়াওরি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী মীয়াম থোইদোক হেন্দোক্না ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীতৈ পাঙলশিং অমসুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা ফূরুপ অসিগী মীওইশিংনা ‘ৱাকফ বোর্দ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫’ হায়দুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবা এক্ট অসি বিল ওইনা পুথোরকখিবদা ‘য়ুনিফাইদ ৱাকফ মেনেজমেন্ট এম্পৱারমেন্ট, ইফিসিএন্সি এন্দ দিভেলপমেন্ট বিল-২০২৫’ শমজিন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ৱাবগাইগী হঙ্গুনদা য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎখ্রে




# ‘মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা ৱাফম অমত্তা য়ানখিবা লৈতে’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৫, থাংজ নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মীৎয়েং মখাদা দেল্লীদা মীতৈ অমদি কুকি-জো ফূরুপকী মহুৎ শিনবা সী এস ওশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখিবা অদু মণিপুরগী ঈরাংগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা রোদ মেপ অমা শেল্লকপা হৌরকপনি। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা ৱাফম অমত্তা য়ানখিবা লৈতে হায়না মীফম অদুদা শরুক য়ারুবা ফেদরেশন ওফ সিভিল সোসাইটিজ ওর্গনাইজেশন্স (ফোক্স) অমসুং ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা চথরক্লিবা চহী ২ ফারক্কদৌরবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী এম ঐচ এনা শিন্দুনা মীতৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ম্যান্মারদা য়ুহা হাখিবা : লন্দনগী মীতৈ য়াইফ লূপনা অঙম্বা মতেং পাংমিন্নসি হায়দুনা আপীল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৮দা মেগ্নিচ্যুদ ৭.৭ য়ৌনা ম্যান্মারদা য়ুহা হাদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহখিবা, কয়া অমনা শোকহনখিবা অমসুং মীওই কয়ানা হৌজিক লৈফম লৈত্রিবা থৌদোকশিং মায়োক্লরিবা অসিবু ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা মতেং পাংমিন্নসি হায়না লন্দন্দা লৈবা মীতৈ য়াইফ লূপকী মায়কৈদগী রবি অঙোমনা থোরকপা চেরোল অমনা আপীল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীতৈ য়াইফ লূপ (লন্দন) অসি শেন্দোং তানবা য়ুরোপ্তা লৈবা মীতৈ ফূরুপকী ওর্গনাইজেশন অমা নত্তে। লূপ অসিগী মায়কৈদগীসু য়ুহা হাবগী খুদোংথীবা মায়োক্লরবা ম্যান্মার মীয়ামগীদমক থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি।

মণিপুরগী মীয়ামগা ম্যান্মারগী মীয়ামগী মরক্তা হকচিনবা পুৱারীগী অমসুং কলচরগী মরী লৈনরক্লিবনি হায়রদুনা ম্যান্মারগী ফূরুপশিংগী মনুংদা বর্মারস, সান অমদি কথেনচিংবগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনরকখি। নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌরদুনা লল্লোন ইতিক, কলচরেল একচেঞ্জ অমসুং লৈঙাক্লোন্দসু অচেৎপা মরী লৈনরক্লিবনি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক ম্যান্মারদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মী কনবা অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### চর্চ অমা মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুংথিল পুং ৫.৫০ রোম তারকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কাইফুন্দাইদা লৈবা রোংমৈ বেপটিষ্ট চর্চ অমা খঙহৌদনা ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিটনা হৌরকপা মৈনা তুন্না চাকখ্রে। পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা চর্চ অসি জিঙ্ঘনা কুপ্পনি অদুগা ফক্লাংসু জিঙ্ঘনা খাবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংহৌদ্রে হায়রি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অনীদা মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ফূদ সেফটিগী ওফিশলশিংনা নেশনল টোবেক্কো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (এন টি সী পি) গা খূৎশম্নদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অনীদা মৈখু থোক্তবা হকচাং শোকহনবা হীদাক মনাগী তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়োল্লিবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ চথ্দুনা হীদাক মনাগী পোৎলম ১৭ ফাগৎখ্রে।

দ্রাইভ অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্টকী সী এম ও ডা. এল ইন্দিরানা হায়, ঙসিদগী হৌরিবা দ্রাইভ অসি দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসর ডা. এল সঞ্জয় অমদি ফূদ সেফটি ওফিসর কৃপারানিনা লুচিংবা টিমশিংনা খোংনাং অনী কারক অমদি মন্ত্রিপূখ্রিগী দুকানশিংদা চথবনি। অদুগা মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎখিবনি। দ্রাইভ অসিদা পুলিসকী মায়কৈদগীসু অচৌবা মতেং পাংবীরি হায়খিবগা লোয়ননা দ্রাইভ অসি মখা তানা চথ্দুনা মীওইবগী পূন্সি কন্নবা অমসুং মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনখিগনি হায়খি।

# নিংথৌখোং : রিলিফ কেম্পতা লৈরকপশিং লৈজররোই হায়দুনা এম এল এগীদা থোমজিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা লৈরক্লিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই ৩০০ হেনবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা লানখৎখিবা ৱাকৎ তবীদ্রে হায়বদগী খোইশাওনরদুনা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈজররোই হায়না বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ুমদা থোমজিল্লুরে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপা ইমুং তরেৎনা থা অসিগী ৫দা কেম্প অসিবু চলাইরিবা কম্মিটিগী মেম্বরশিং শিন্দোকপীদুনা মখোয়গী মহুত্তা অনৌবা মীওইশিং হাপ্পীয়ু হায়দুনা ইনফোর্মেল ওইবা কমপ্লেন্ট অমা দি সীদা তৌখি। অদুবু মসিগী মায়োক্তা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপা মীওই ৩০০ লোম্না দি সীদা মখোয়গী ওইবা ৱাফম খরসু ফোঙদোকচগে হায়রুবদগী ঙসি ৱারী শানসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# তুং-কোইনা চৎনগদবা এদ্যুকেশন সিষ্টম লৈহনবীনবা এম এস এফনা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেশননা মতিং লৈবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা ওইহন্নবা অমসুং প্রাইভেট/লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা চপ মান্নবা সিলেবস অমগী মখাদা মহৈ তমহনবগা লোয়ননা তুং-কোইনা চৎনবা য়াবা অফবা মখলগী এদ্যুকেশন সিষ্টম পুরক্লবা লূপ অসিনা পোইন্ট ৪ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা ঙসি নুংথিল গভর্ণর এ কে ভল্লা অমদি এদ্যুকেশন লোয়শঙগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংদা পীশিনখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল লূপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় খুমননা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিংনা মালেমগী অথোই অহেন তান্নবগী খোঙজেলদা মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক অমসুং অহেনবা মহৈগী লৌশিং পীনবগীদমক হৌখিবা এপ্রিল ৪দগী খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিংসু পাঙথোরক্লি হায়খি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# সর্ভিসেস ফেদরেশন ১দি মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়ননা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেশন অমদি মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়ন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি নুংথিল পিশুমথোংদা লৈবা পেন্সরশিংগী শঙলেন্দা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফেদরেশন অসিগী প্রসিদেন্ট এল সরতনা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরগী পেন্সনরশিংগী কন্মন ওইবা দিমান্দশিং পুনশিল্লগা ঙসি গভর্ণর অমদি চীফ সেক্রেটরিদা পোইন্ট ১৮ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মরু ওইনা ৭শুবা পে কম্মিশন চৎনবা হৌখ্রবা ষ্টেট অমা ওইনা ফংফম থোকপা দি এ/দি আর হাপ্পীয়ু হায়বা ৱাফম য়াওরি। দি এ/দি আর হাপ্পীবা মতমদা ষ্টেট অসিদা অফবা শেন্নীৎলোন অমসু ওইহল্লকপা ঙমগনি। পেন্সনরশিংগী পীফম থোকপা শেলশিং পীথোকপীয়ু, এম এ সী পিগী প্রমোশনগী মতাংদা পন্দুনা লৈরিবশিং অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু হায়খি।

ওল্ড পেন্সন স্কিম চৎনহনবীয়ু অদুগা থবক্তগী পোথাবগী চহী অসি ৬২দা শাংদোকহনবীয়ু হায়বা ৱাফমসু য়াওখি। লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# ইশাগী য়ূমদা লৈদুনা লৌবুক্তা ইনীং তম্না চঙবদা অকিবা পোকপদা নত্তনা চঙবা য়ারোই হায়দুনা থিংলিবনি : ইঙুদম খম্বী

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

তোর্বুং মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)**

লাঞ্জেল্লকপা নুমিৎতা ফাওখিবা অকিবশিং কোক্লবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙখিগনি মরমদি হান্নগুম্না ইশাগী ৱাখল অসি নে তানা লৈবা ফংদ্রি। লান হৌরকখিবা কুকি লমহেনবশিংদা নীংথিজনা পড়া তম্বীদুনা অমদি য়াদে হায়বা অমা খঙহনবগা লোয়ননা মীতৈ ঐখোয়গীসু মফম অসি ঐখোয়গী ইরমদম ইরৈকায়নি হায়না ইনীং তম্না চাউথোক্না লৈজনবগী কাঙলম য়াৎপীদ্রবদি ইশাগী য়ূম ইঙ্খোলনি হায়দুনা চঙশিন্দুনা লৈবা ঙমখিরোই। সিফাইশিংনা ফনা য়াম্না ঙাক শেল্লবসু মখোয়গী মরক্তা য়াওরক্কদবা ময়াং সিফাইশিংনা হেন্না অকিবা ফাওই। মখোয় লৈনা লৈনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া অমা থোকখ্রবনি হায়রি।

তোর্বুং মমাঙ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৩৪ শুরবী ইঙুদম ওংবী খম্বীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, য়ূমদা লৈরিঙৈগী মতমদদি ইঙ্খোল কোইরকখি অমসুং তুরেলসু নকপনিনা তুরেলদগী লৈঙোই কোৎখৎতুনা নিক্লগা য়োনবগী থবকসু তৌরকখিবনা ইমুংগী অৱাৎ অপা লৈখিদে অমসুং ইচাশিংবুসু মহৈ মশিং তমহনবা ঙম্লকখি। অদুবু মে ৩, ২০২৩দা ঐহাক্না তুরেলদগী লৈঙোই নিক্লুরগা হল্লকপদা তোর্বুং কৈথেলদা ঈশিং পুবা গাড়ী থৌবা মীতৈ নুপা অমা কুকিশিংনা ফূরকপদগী খোইশাওনরবা মীতৈ নহাশিং থোক্তুনা ঈরাং হৌরকখি। ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা কুকিশিং অদুদি নোংমৈনচিংবা পায়রকপনিনা মীতৈশিংনা মখোয় রোমদা চঙশিনবা ঙমখিদে। মমায় লৈদুনা হল্লকখি অমদি অনকপদা লৈবা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সনা ফাওবা কুকিশিংনা তৌখিবা কা হেনবা থৌওং অদু লাকশিনবা ঙমদবনা ঙসি ঐখোয়না অৱাবা খুদোংথীবা কয়া অসি মায়োক্লবনি। ইশাগী য়ূম কৈ মৈ তুম্না থাদোকপীদুনা ঐখোয়বু য়ূম লৈজদবা মীওই হায়বদু ওইহল্লে।

লাঞ্জেল্লকপদগী অহানবদা রিলিফ কেম্পতা চঙশিন্দুনা হেক্তমক লৈখিদে। তেরা খোংশাংবীদা লৈবা ইচেগী য়ূমদা লৈরকখি অদুবু কোন্নথংদা রিলিফ কেম্প অসিদা লাক্তুনা লৈরকখিবনি। হৌজিক চহী অনী ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপনিনা হান্না ইশাগী য়ূমদা লৈরিঙৈদা ফংজবা নীংতম্বগী পূন্সি অদুদি অমুক হঞ্জিল্লক্কনি হায়বা থাজদ্রে। মরম অসিনা ইচা শেম্বা নত্তনা করিসু তৌনীংঙাই লৈত্রে। (মথং-মথং)

